# ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে, নুপাগী হোক্কী টিম চহী ৪১গী মতুংদা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা বেলজিয়মগা লম্বা তৌনরগনি, সুপর হেভিৱেথ বোক্সর সটিশ কুমার ক্কার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

টোকিও, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান বেদমিন্টন শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুনা নুপীগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে। নুপাগী হোক্কী টিম চহী ৪১গী মতুংদা ওলিম্পিক্সকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা বেলজিয়মগা লম্বা তৌনরগনি। বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী সটিশ কুমার সুপর হেভিৱেথকী ক্কার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

বেদমিন্টন : ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুনা ঙসি চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীবা পীদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী অহানবা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা পূন্না মেদল অনী শুবা ঙমখ্রে। সিন্ধুগী ওইনা নুপীগী বেদমিন্টনদা ঙসিগী ব্রোঞ্জ মেদল অসি থারগা থংন-থংননা ওলিম্পিক অনী মেদল লৌবা ঙল্লি। মহাক্না কুমজা ২০১৬ রিও ওলিলিম্পক গেমসতসু ফাইনেল য়ৌদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং সেমীফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় টাই জু য়িংগী মখুৎতা মায়থীহৌবনি। ঙসিগী মেটচ অদু হৌরকপদগী হৌনা পি ভি সিন্ধুনা খোঙজেল য়াঙনা গেম অদু কন্ট্রোল তৌনা শান্নবা ঙমখি। মহাক্না হি বিংজিয়াওগী মশান্না অদু সেট্টল তৌবা ঙমহনখিদে। অহানবা গেম ২১-১৩দা থোইরগা অনীশুবা গেম অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা সিন্ধুদগী পোইন্ট হেনগৎপা ঙমখি। অদুবু সিন্ধুগী মায়কৈদগী তপ্না-তপ্না ফজবা হেনগৎলক্তুনা পোইন্ট ১৫-১৫ ফাওবা মান্নরম্বদগী মনিং হনবা লৈতনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী ব্রোঞ্জ মেদল অদু মহাক্না ফংখিবনি। সিন্ধুনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক মেদল অনী ফংবা অনীশুবা শান্নরোয় ওইরি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুর, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ইন্দিয়াগী চীফ কোচ পি





গোপিচান্দ, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হরাউবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। সিন্ধুনা কুমজা ২০২৪ পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শাদুনা লৈগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

নুপীগী কাঙলূপ অসিদা চাইনাগী শান্নরোয় চেন য়ু ফৈনা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১-১৮, ১৯-২১, ২১-১৮দা থোইদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

হোক্কী : ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা গ্রেট বৃটেনবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চহী ৪১গী মতুংদা ওলিম্পিক গেমসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮০দা মোস্কো ওলিম্পিক্সকী নুপাগী হোক্কীগী গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুগী মতুং সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙল্লক্ত্রিবনি।

ঙসি ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা ক্কার্টরগী ৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী দিলপ্রিট সিংহগী মায়কৈদগী ঙন্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা গ্রেট বৃটেনবু মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা ক্কার্টর অদু লোইরবা মতুং অনীশুবা ক্কার্টর হেক হৌরকপা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী গুরজান্ট সিংহনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা অহানবা হাফ অদু ইন্দিয়ানা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অহুমশুবা ক্কার্টর অদু মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নর হঞ্জিন-হঞ্জিন অহুম্লক ফংখি। মদুদা টিম অদুগী সাম ৱার্দনা পাঞ্জল চন্দুনা শোখখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা ১ হন্দোকপা ঙমখি। টিম অদুনা অরোইবা ক্কার্টর অদুদা মখা তানা ইক্কেলাইজর অদু ফংননবা অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুগী পাঙ্গল অদুনা গ্রেট বৃটেনগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। গোলকিপর পি আর স্রিজেশনা য়াম্না মরুওইবা পেনাল্টি কোর্নরদগী লাকখিবা শোট অহুম্লক ঙাকথোকপা ঙমখি।

৫৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হর্দিক সিংহনা ফিল্ড গোল অমগা চনখিবদগী লেমহৌরিবা মিনট ৩ অদুদা গ্রেট বৃটেননা মখোয়গী গোলকিপরগী মহুৎতা শান্নরোয় হাপচিন্দুনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্দনা অরেম্বা তাদুনা ইন্দিয়ানা ৩-১দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা বেলজিয়মগা লম্বা তৌনরগনি।

বোক্সিং : ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিমগী মায়কৈদগী ঙসি অঙনবদা সুপর হেভিৱেথ (কিলোগ্রাম ৯১ মথক)কী ক্কার্টর ফাইনেল বাউটতা সটিশ কুমার থৌনা লৈনা লম্বা তৌখ্রবসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা অদুগা ওলিম্পিক গেমস অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা উজবেকিস্তানগী বোক্সর বাখোদির জালোলোবকী মখুৎতা ০-৫দা মায়থীবা নংদুনা নুপাগী কেম্প্যেন অদু লোইশিনখি।

নুপীগী বোক্সর লোভলিনা বোর্গোহেননা কিলোগ্রাম ৬৯ (ৱেল্টরৱেথ) কেটগোরিগী সেমীফাইনেল য়ৌদুনা থা অসিগী ৪দা টর্কিগী বোক্সর বুসেনাজ সুর্মেনেলিগা লম্বা তৌনরগনি। বাউট অদুদা মায় পাকপা ঙল্লবদি ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিক পুৱারীদা বোক্সিংগী অহানবা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা বোক্সর ওইগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, বোর্গোহেন টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ওলিম্পিক্স শরুক য়ারকপনি।

| Tokyo Olympic Games Medal Tally | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Rk | Country | G | S | B | T |
| 1 | China | 24 | 14 | 13 | 51 |
| 2 | United States | 20 | 23 | 16 | 59 |
| 3 | Japan | 17 | 5 | 9 | 31 |
| 4 | Australia | 14 | 3 | 14 | 31 |
| 5 | ROC | 12 | 19 | 13 | 44 |
| 6 | Great Britain | 10 | 10 | 12 | 32 |
| 7 | France | 5 | 10 | 6 | 21 |
| 8 | South Korea | 5 | 4 | 8 | 17 |
| 9 | Italy | 4 | 8 | 15 | 27 |
| 10 | Netherlands | 4 | 7 | 6 | 17 |
| 11 | Germany | 4 | 4 | 11 | 19 |
| 12 | New Zealand | 4 | 3 | 4 | 11 |
| 13 | Czech Republic | 4 | 3 | 1 | 8 |
| 14 | Canada | 3 | 4 | 7 | 14 |
| 15 | Switzerland | 3 | 4 | 5 | 12 |
| 16 | Croatia | 3 | 2 | 2 | 7 |
| 17 | Chinese Taipei | 2 | 4 | 4 | 10 |
| 18 | Brazil | 2 | 3 | 5 | 10 |
| 19 | Hungary | 2 | 2 | 2 | 6 |
| 20 | Slovenia | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 21 | Ecuador | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 21 | Kosovo | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 21 | Qatar | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 24 | Spain | 1 | 3 | 3 | 7 |
| 25 | Georgia | 1 | 3 | 1 | 5 |
| 26 | Romania | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 26 | Sweden | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 26 | Venezuela | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 29 | Hong Kong | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 29 | South Africa | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 29 | Slovakia | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 32 | Austria | 1 | 1 | 3 | 5 |
| 33 | Denmark | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 33 | Serbia | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 35 | Belgium | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 35 | Jamaica | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 35 | Norway | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 38 | Poland | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 38 | Tunisia | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 40 | Ireland | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 40 | Israel | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 40 | Turkey | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 43 | Belarus | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 43 | Estonia | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 43 | Fiji | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 43 | Uzbekistan | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 59 | India | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 59 | Portugal | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 59 | San Marino | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 59 | Uganda | 0 | 1 | 1 | 2 |

## হরয়ানানা জুনিয়র গর্লস বোক্সিংগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

সোনিপট, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী): হরয়ানাগী সোনিপটতা পাঙথোকপা ৪শুবা জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা য়ূম্বু ষ্টেট অদুনা গোল্ড মেদল ১০ অমসুং সিলভর মেদল ৩ ফংলগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি অরোইবা নুমীৎতা হরয়ানাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা মমাংগী চেম্পিয়নসু ওইরিবী কিলোগ্রাম ৪৬কী কেটগোরিদা মুস্কাননা ঝরখন্দগী বোক্সর অনুবু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। ষ্টেট অদুগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা নুপীমচা বোক্সরশিং অদুদি কিলোগ্রাম ৪৮গীদা বিষ্ণু রাথি, তনুনা কিলোগ্রাম ৫২দা গোল্ড ফংখি। কিলোগ্রাম ৫৪দা আর্জু, কিলোগ্রাম ৫৭তা অনচল সাইনি, কিলোগ্রাম ৬৩দা মাহি রাঘব, কিলোগ্রাম ৭০দা রুদ্রিকা, কিলোগ্রাম ৭৫দা প্রাঞ্জল য়াদব, কিলোগ্রাম ৮০দা সঞ্জনা অমসুং কিলোগ্রাম ৮০ মথক্কীদা কির্টিনি।

লোয়ননা ষ্টেট অদুগী সিলভর মেদল ফংখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি কেজি ৫০গীদা নেহা, কেজি ৬০গীদা কনিস্কা মান অমসুং কেজি ৬৬তা সনেহানি।

মহারাষ্ট্রগী টিমনা গোল্ড মেদল ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা দেল্লীগী টিমনা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি।

সোনিপটতা পাঙথোকপা মরিরক শুবা জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী নহা ওইরিবা নুপীমচা বোক্সর ২০০ হেনবনা লম্বা তৌনরকখিবনি।

## অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ওলিম্পিক পুৱারীদা নুপাগী টেন্নিসকী সিঙ্গলস গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা অহানবা জর্মন মচা ওইরে

টোকিও, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী): অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী কারেন খাচানোবপু মায়থীবা পীদুনা জর্মনিগী ওলিম্পিক পুৱারীদা অহানবা নুপা শান্নরোয় অমনা গোল্ড মেদল ফংবা ওইরে।

জর্মনিগী ওইনদি ইহান হান্না গোল্ড মেদল ফংখিবা অদু কুমজা ১৯৮৮ সিওল ওলিম্পিক গেমসতা ষ্টেফি গ্রাফনা সিঙ্গলসকী গোল্ড অদু লৌবা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৯২দা বোরিস বেকর অমসুং মাইকেল ষ্টিকনা নুপাগী দবলসকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচপু সেমীফাইনেলদা



মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী গোল্ডেন স্লাম মপূং ফাহনখিদবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু জ্বেরেভকী মায়কৈদগী কারেন খাচানোবকী মায়কৈদা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। অহানবা সেট অদুদা খাচানোবনা গেম অহুমখক থোইরকপদা জ্বেরেভনা মহাক্কী সর্ভিস গেম অমা মুন্দুনা ৬-৩দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতদি খাচানোবকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু জ্বেরেভনা চথরকখিবা এটেকশিং অদুদা কান্নবা ফংদুনা সর্ভিস গেম ২ জ্বেরেভনা ব্রেক তৌখি। পুং ১গা মিনট ১৯ চঙশিল্লকপদা অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ৬-১দা থোইরগা নুপাগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি।

দিসিপ্লিন অসিগী ওইনা নুপীগী দবলসতা চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রাইচিকোভা অমদি কেটেরিনা সিনিয়াকোভানা স্বিটজরলেন্দগী প্যের বেলিন্দা বেন্সিক অমসুং ভিক্টোরিয়া গোলোবিচপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

চেক রিপব্লিককী ওইনা ঙসি ক্রাইচিকোভা অমদি সিনিয়াকোভানা ফংখিবা গোল্ড মেদল অদু মখোয়গী অহানবা ওইরি। অদুবু চেক রিপব্লিক অমদি স্লোভাকিয়া লৈবাক অনীনা অমত্তা ওইনা পূন্না ওইরিঙৈ কুমজা ১৯৮৮দা মিলোস্লাভ মেসিরনা গোল্ড মেদল ফংখিবা অসিনা অহানবা ওইখি। মখোয়না স্বিটজরলেন্দগী প্যের অদুবু ৭-৫, ৬-১দা থোইবা ঙমখি।

## অর্টেম দোলগোপিয়াটনা ইজরেলগী অহানবা ওলিম্পিক জিম্নাষ্টিক্স গোল্ড মেদল ফংখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী): জপাননা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা চথরিবা ৩২রক শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা ইজরেলগী অর্টেম দোলগোপিয়াটনা ইজরেলগী ওলিম্পিক পুৱারীদা অহানবা ওইনা জিম্নাষ্টিক্স দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

য়ুক্রেনদা পোকখিবা অর্টেম দোলগোপিয়াট মশাগী চহী ১২ শুরকপদা ইজরেলদা লাকখিবনি। মহাক্না ঙসি নুপাগী ফ্লোর এক্সর্সাইজ ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। ইজরেলগী ওলিম্পিক্স পুৱারীদা কুমজা ২০০৪ এথেন্স ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অদুগী ৱিন্দ সর্ফর গেল ফ্রাইদমেননা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুনা অহানবা ওইখিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল অদুদা মশাগী চহী ২৪ শুরবা ইজরেলগী অর্টেম দোলগোপিয়াট ক্কালিফায়িং রাউন্দদা খ্বাইদগী পোইন্ট য়াম্না ফংদুনা লাকখি। রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী টিম গোল্ড মেদল ফংবদা শরুক য়াখিবা নিকিটা নাগোরনিনা ফ্লোর এক্সর্সাইজ অদুদা উংবা হেনখিবদগী তুশিনবদগী পোইন্ট য়াম্না হন্থখি। স্পেনগী জিম্নাষ্ট রেদর্লি জাপাটানা নুপাগী ইন্দিভি-জ্যুএল ফ্লোর এক্সর্সাইজ অদুগী গোল্ড ফংগনি হায়না কন্না থাজখি। মখোয় অনী পোইন্ট মান্নরবসু টাই ব্রেককী য়েংনরকপদা হায়র দিফিকল্টি স্কোর চাংদম্নবদা দোলগোপিয়াটনা ০.১০ হেন্দুনা গোল্ড ফংখি। ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা চাইনাগী জিয়াও রুৱোটেংনা লৌবা ঙমখি।

## হান্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা বিস্বনাথন অনন্দনা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংগদৌরি



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী): চেছ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৮দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীরকশুবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, মমাংগী ইদিসনদা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী টিমনা পূন্না ৱিন্নর ওইমিন্নখিবনি। ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা গ্রান্দমাষ্টরশিং অদুদি, হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ৱর্ল্ড চেছ কপতা ক্কার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবা বিদিট সন্তোশ গুজরাথি, পেন্টালা হরি কৃষ্ণ, নিহার সরিন অমসুং রামেশ বাবু প্রগনন্ধনি। অদুগা নুপীগী গ্রান্দমাষ্টরশিং অদুনা কোনেরু হম্পী, দ্রোনাভালি হরিকা, টানিয়া সস্লেব, ভক্তি কুলকর্নি, আর ভাইসালি অমসুং বি সবিথা স্রিনি।

ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদ অসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ১১ অসিনা পূন্না চেন্নাইদগী শরুক য়াগদৌরি।

অহানবা লেগতা টিম ১০না লম্বা তৌনরবা মতুং টিম অনী খনগৎতুনা মখা তারকপা লম্বাশিং অদু চেছ মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিদেনা ৱারেপ লৌখিবা নোক আউট ফোর্মেটতা শান্নগদৌরিবনি।

ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট সঞ্জয় কাপুরনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংলবা শান্নরোয়শিং অসিবু মফম অমত্তদা পূল্লপ পূন্না শান্নমিন্নগদৌরিবা অসিগী তাঞ্জা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইরি।

ফেদরেসন অসিগী সেক্রে-টরি ভারত সিংহ চৌহাননা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী চেছ কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা অৱাংবা থাক ফাওবা য়ৌবা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফংলিবা অসি মতম খরগী মতুংদা মালেমগী নম্বর ৱান চেছ শান্নবা লৈবাক অদু ইন্দিয়ানা ওইনবা হোৎনগনি হায়খি।

## ইটালিগী মার্সেল জেকোবসনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী মিটর ১০০গী গোল্ড মেদল ফংখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা ইটালিগী এথলিট মার্সেল জেকোবসনা সেকেন্দ ৯.৮ চেন্দুনা ইটালিগী অহানবা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

জেকোবসনা মহাক্কী গোল্ড লৌবগী লম্বেল অদুদা য়ু এস এগী ফ্রেদ কর্লি অমসুং কানাদাগী এন্দ্রি দি গ্রাসেবু মায়থীবা পীখি। জেকোবসনা মহাক্কী লমজেল অদু সেকেন্দ ৯.৮ চেন্দুনা য়ুরোপিয়ন রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। মমাংদা মীয়াম্না লমজেল অদুদা জেকোবসনা মকোক ওইগনি হায়বসি কন্না থাজনরমদবনি। অদুবু কম্পিটিসন অদুগী সেমীফাইনেলদা মহাক্না সেকেন্দ ৯.৮৪দা চেন্দুনা ফাইনেল য়ৌরকপা অদুদগীদি মঙোন্দা মীৎয়েং চঙবা হৌরকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুগী সিলভর মেদল অদুনা য়ু এস এগী এথলিট ফ্রেদ কর্লিনা সেকেন্দ ৯.৮৪দা চেন্দুনা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা কানাদাগী এথলিট এন্দ্রি



দি গ্রাসেনা সেকেন্দ ৯.৮৯দা চেল্লগা ফংখি। পনবা য়াবদি, কানাদাগী গ্রাসে কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

ইটালিগী জেকোবসনা মিটর ১০০গী লমজেল অসি হৌখিবা চহী ১৩দা জমাইকাগী উসেন বোল্টনা দোমিনেট তৌদুনা লাকখ্রবা মতুং ওলিম্পিককী ওইনা বোল্টকী মতুংদা মহাক্কী মমিং লৈহৌরগনি খল্লুবদা য়াম্না অপেনবা ফাওইহায়না এথলিট অদুনা ফোঙদোরকখি।

এথলিটিক্সকী ওইনা নুপীগী ট্রিপল জম্পতা ভেনিজ্যুএলাগী য়ুলিমর রোজাসনা মিটর ১৫.৬৭ চোংলগা গোল্ড মেদল ফংবদা নৎতনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মমাংদা নুপীগী ট্রিপল জম্পকী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু মিটর ১৫.৫০ দা কুমজা ১৯৯৫দা য়ুক্রেনগী এথলিট আই ক্রাবেটসনা থল্লম্বনি। পোর্টুগলগী পি মামোনানা ১৫.০১দা সিলভর অদুগা স্পেনগী এ পেলেটৈরোনা ১৪.৮৭তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

#### মণিপুরগী তুংলমচৎতা পোলিটিকেলগী খোঙচৎ করি ওইরক্কনি হায়বা তম্বা ঙমদে



মণিপুরগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী চৈথেং অমদি এ সী ৬০গী মীয়ামগীদমক লৈরিবা মীহুৎশিংনসু অকনবা লান তৌরি। মাগী-মাগী হৈজবী লাল্লোং য়াৎপদা এসেমব্লি মেম্বর ফম থাদোকখিবা এ সী ৭ শুজিল্লক্লে। মসিনা লমদম অসিগী তুংলমচৎতা পোলিটিকেলগী খোঙচৎ করি ওইরক্কনি তম্বা ঙমদে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিসু লমদমসিগী ওইনদি তম্বা ঙমদ্রি। লৈঙাক্লসু অঙম্বদি হোৎনরি হায়বসি পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। অদুবু লুরিবদি লাইচৎ অসিনা নোংমা কাংদনা মীওই কয়া শিজিল্লকপা, কয়া অমা পোজিটিভ ওইরকপা অসিদগী ঙাকথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্না কর্ফিয়ু থমদুনা হোৎনরি। তৌবতবু হেন্না পূক্নিং চঙনা হোৎনবদি খরা খজিক ৱাৎপ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মীয়াম্নসু লায়না অসিনা নারক্কনি খঙনা-খঙনা তঙাইফদনা শূ-নোমদুনা হিংবা মীশিংনা অয়াম্বা ওইবনা মীওই খরদি কর্ফিয়ুগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা হায়বদুসু ওইরি। লৈঙাক্না পীরিবা চেঙ খক্তনা হিংবা য়াবা নৎতবনিনা হিংনবা হোৎনরকপদা কোভিদ থেংনবা তারি। মতাং অসিদা হায়জনিংবদি এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা মীয়ামগী খল্লগা মতাং অসিদদি পোলিটিক্স তৌদুনা লৈবীগনু। মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইটশিং মপূং ফানা ফংহনবীয়ু।

❒ ৱাংখৈরাকপম মায়পাক, নোংমৈবুং

#### কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা প্রমোসনদা এগজাম পাস তৌহল্লবা মহৈরোয়শিংগী লাইবক করি ওইগদৌরি



কুমশি চহী ২০২১গী ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্ভকী মরুওইখ্রবা এগজামিনেসন কোভিদ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোক্তনা প্রমোসন পীদুনা পাস তৌহল্লে। ক্লাস টেনগী অপূনবা মহৈরোয় লিশিং ৪৭,২০৮ চাদা ১০০ পাস তৌহল্লে। ক্লাস ত্বেল্ভকীনা চাদা ৯৯.৮৮ পাস তৌহন্দুনা মহৈরোয় লিশিং ৩০,০৭৪ পাস তৌহল্লে। অসুক য়াম্বা চাংদা পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু মিং চন্দুনা লাইরিক তমহন্নবা সেকেন্দরি স্কুল অমসুং কোলেজ মরাং কাইনা হাংদোক্তুনা থম্বীবা মথৌ তারে। মতমগী মতুংইন্না ২০২১গী ক্লাস অনী অসিগী প্রমোসনদা পাস তৌখ্রবা মহৈরোয় কয়া লৈঙাক্কী মশক থোকপা ফম্নাইবা শোয়দনা ওইরকপসু য়াই। মখোয়না ফম্নাইবা ওইরবা তুংদা করিগুম্বা লৈঙাক্লোনদা খজিক শোয়খিবদা ২০২১দা পাস তৌখিবা মহৈরোয় ওইবননি হায়দুনা লৈবাক ৱাথোক ওইবা য়াই। মরম অসিনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা দিপার্টমেন্টকী অখঙ-অহৈশিংগা তানদুনা প্রমোসন পাস পীথোকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু করম্না মগুণ লৈবা অচঙবা মহৈরোয় খঙদোকসিগে হায়বা ৱাখল তুংগী য়েংলগা হৌজিক্তগী খনবীবা য়ারে। তুংদা অশোয়বা থোক্লক্তনবা তরং-তরংনা থম্বীরম্নবা হোৎনহন্নিংই।

❒ এল ইবোমচা, তাওথোং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## রাজপুট অমসুং টোমরনা শুটিংগী অরোইবা মেদলগী তাঞ্জা য়েংগদৌরি

টোকিও, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী শুটর সঞ্জিব রাজপুট অমসুং অশ্বরি প্রটাব সিংহ টোমরনা হয়েং পাঙথোক্কদবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসনদা ইন্দিয়াগী শুটিং কন্টিঞ্জেন্টকী ওইনা মেদলগী তাঞ্জা অদু অরোইবা ওইনা য়েংগদৌরি।


সঞ্জিব রাজপুট মশাগী করিয়রগী অহুম্লক শুবা ওলিম্পিক শরুক য়ারিবনি। অমরোমদা, অশ্বরি প্রটাব সিংহ টোমরনা মহাক্কী অহানবা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ারকপনি।

শুটিংগী ওইনা হয়েং অরোইবা নুমীৎনি। মমাংদা পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা সৌরভ চৌধরিনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা ৭শুবা পোজিসন তাখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি। অতোপ্পা শুটরশিংদি ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

রাজপুট অমসুং টোমর হৌজিক-হৌজিক শুটিংগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মথংশিংনা ৬শুবা অমদি ২শুবা পোজিসনদা লৈরি। ক্কালিফিকেসন রাউন্দদগী মকোক থোংবা শুটর ৮ খল্লগা ফাইনেল রাউন্দ পাঙথোক্কদৌরিবনি। রাউন্দ অসিদা মমাংগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী শুটর সর্গে কমেনস্কি লোয়ননা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান হঙ্গেরিগী শুটর ইষ্টভান পেনি য়াওরি। পূন্না শুটর ৪৮না লম্বা তৌগদৌরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 188



GM Carlsen, Magnus (2876) - GM Pichot,A (2590)
Chess24 Banter Blitz Cup chess24.com INT, 2019.09.25

| | |
|---|---|
| 1.c4 Nf6 | 2.g3 e6 |
| 3.Bg2 d5 | 4.Nf3 Be7 |
| 5.b3 d4 | 6.e3 c5 |
| 7.exd4 cxd4 | 8.O-O O-O |
| 9.d3 Nc6 | 10.Re1 Nd7 |
| 11.Na3 e5 | 12.Nc2 f6 |
| 13.Nh4 g6 | 14.Bd5+ Kh8 |
| 15.Qg4... | |

**QUESTION :**

White to win

**Puzzle 187 Ans. :**

37. ...Bf5 38. R1xf5 exf5 39. Bxf5+ Kh8 40. Rh6+ Qxh6 41. Qxh6# Highstriker mate

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com